ক্বারন্টিন তৌরিঙৈদা...

লামায় ১গী মখা... ক্বারন্টিন তৌদুনা থল্লিঙৈদা কেজুএল লিভ লৌনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা খঙহল্লকখি। য়ু আর দি এগী এপ্লিকেসন অসিগা মরী লৈননা মতিক চাবা পাউখুম অমা পীরক্লবা জষ্টিস অশোক ভুষননা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা খঙহনখি।

সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতুংইন্না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ ট্রেনিংদা অইবা চেরোল অমা থাখিবগা লোয়ননা ক্বারন্টিন তৌদুনা থল্লিবা ডোক্টর অমদি হেল্থ ৱার্কর পুম্নমক মথৌ পাঙথোক্লি হায়না লৌগদবনি হায়বা ৱাফম খঙহনখি। ডোক্টর অমদি হেল্থ ৱার্করশিংগী তোলোপ মতম চানা ফংহন্নবসু সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রবনি হায়রি।

হেনরি, লুখোই...

লামায় ১গী মখা... সেদ্যুল্ডগী মখাদা কন্সটিট্যুট তৌবা স্পিকরগী ট্রাইব্যুনেলনা দিসক্বালিফিকেসন কেসশিং অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর থাসিগী ১৪দা লাউথোক্লগনি হায়রি। নোটিশ অসিগা ইরোয়ননা নুমিৎসিগী স্পিকর ট্রাইব্যুনেলগী কোজ লিষ্টতসু কেসশিং অসি লিষ্ট তৌরে হায়রি। ট্রাইব্যুনেল অসিদা এম এল এ পি ব্রোজেনগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা দিসক্বালিফিকেসন কেসশিংনা কেস নম্বর-৩ ওফ ২০১৯ (পিটিস্নর থোঙ্গ্রাম সুরেন্দ্র এন্দ অদরস), নম্বর-৮ ওফ ২০১৯ (পিটিস্নর লাংপোকলাকপম রোনেন্দ্রো) অমসুং কেস নম্বর -১৫ ওফ ২০১৯ (পিটিস্নর এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজম) নি।

পনবা য়াবদি, দিসক্বালিফিকেসন কেসশিং অসি এম এল এ অসিনা মশাগী কোংগ্রেস পার্টিদগী দিফেক্ট তৌরগা লৈঙাকসিবু লুচিংলিবা বি জে পিদা য়াওশিনখি হায়দুনা মহাকপু এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌগদবনি হাদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

করম্বা ৱাফমদা...

*লামায় ১গী মখা...*ওইনা পাল্লকখিবা মণিপুরবু বৃটিশনা খুদুম চল্লম্লবা মতুংদা নমদুনা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইহনখি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী তাঙ্খুলশিং তাঙ্খুল ওইনা অদুমক লৈরম্মী। কুমজা ১৯৭০গী অঙনবা শরুক্তা নাগা হায়বা মীংথোল লৌজখিবনি। ষ্টেট অসিদা তাঙ্খুল অনী - য়ঙ মাসো সাইজা অমসুং রিশাং কৈশিংনা চীফ মিনিষ্টর ওইরমখিবদু দিমোক্রেসি চৎপা লমদমনি হায়বগী ময়েক শেংলবা খুদমনি।

নাগালেন্দগী নাগাশিংদা ইন্দিয়ানা চানবীবগা লোয়ননা তাঙ্খুলশিং নাথৈরমখি। অদুবু তাঙ্খুলশিংসু নাগাগী ঈহৌদা শরুক য়াখি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা নাগালেন্দগী নাগাশিংনা মণিপুরগী তাঙ্খুলশিংবু শরুক য়াহন্নীংদবগী মওং অমা উবা ফংলি। অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈদা ৱাফমশিং অসি মুন্না য়েংশিনবা তঙাইফদে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

Important Phone Nos.

RIMS	2414478
J.N. Hospital	2450385
DG Control	2450100
FIRE SERVICE	
Imphal	101
Moirang	8415925197
Churachandpur	8415925191
Thoubal	8415925203
Kakching	8415925194
Jiribam	8415925193
Mayang Imphal	8415925196
Bishnupur	8415925190
Moreh	8415925198
Kangpokpi	8415925195
Ukhrul	8415925205
Senapati	8415925199
Chandel	8415925192
Singhat	8415925201
Sugnu	8415925202
Yairipok	8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.090207
US Dollar	74.702560
British Pound	97.947080
Australian Dollar	53.652204
Chinese Yuan Renminbi	10.756370
Japanese Yen	0.704147
Malaysian Ringgit	17.816911
Singapore Dollar	54.483300
South Korean Won	0.063182
Saudi Arabian Riyal	19.920683
Thai Baht	2.404536
Myanmar Kyat	0.05453
Bangladesh Taka	0.88060

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	55222.00
Mumbai	–	Rs	54685.00
Delhi	–	Rs	54760.00
Kolkata	–	Rs	55029.00

GAS NEWS

PATSOI INDANE
Booking Upto : 08/06/2020
Valid From : 23/05/2020
Stock 306 (DBTL ONLY)
HOME DELIVERY ONLY
Contact No.: +917005255105
& +919383082751

M/S MISAO GAS SERVICE
Booking Upto : 20/07/2020
Valid From : 10/07/2020
19kg Available
ONLY HOME DELIVERY
For delivery service Please
contact -7085738631 or
8119967523
Call Timing: 8:00am to 2:00pm

এন ঈ পি ২০২০ ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা পায়খৎলিবা থবকশিং মিনিষ্টরনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস) : নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসী (এন ঈ পি) ২০২০ ষ্টেট অসিদসু ইমপ্লিমেন্ট তৌননবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা রিভিয়ু মীটিং অমা ঙসি পাঙথোক্তুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা য়েংশিনখ্রে।

বাবুপারাদা লৈবা সমগ্রা সিক্ষাগী কন্ফরেন্স হোলদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা চেয়র লৌদুনা পাঙথোকখিবা রিভিয়ু মীটিং অদুদা হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন অমসুং এস সী ঈ আর টিগী কম্মিস্নর এম হরেকৃষ্ণ, এদ্যুকেসন (এস) অমসুং এদল্ট এদ্যুকেসনগী কম্মিস্নর টি ঐচ রঞ্জিৎ, এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টর এল নন্দকুমার, কোসেমগী চেয়রমেন এল মহেন্দ্র, হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী জোইন্ট সেক্রেটেরি ডা. এল নিভিদিতা, এদ্যুকেসন (এস) হিলসকী এদিসনল দিরেক্টর লর্তে মাংতে কোম, এদ্যুকেসন (এস) ভেলিগী এদিসনল দিরেক্টর সী ঐচ সচি অমদি দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুনা এক্সপর্টশিং, এদ্যুকেনিষ্টশিং, সোসল ৱর্করশিং, স্পোর্টস, আর্ট এন্দ কলচর, দান্সকী লমদা শক্লাইরবা মীওইশিং অমদি এস সী ঈ আর টি, এদ্যুকেসন (এস), হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন, বোসেম, কোসেম, হেল্থ, সোসল ৱেলফেয়র অমসুং টি এ এন্দ হিলসতগী নোমিনেট তৌরকপা ওফিসলশিং য়াওনা মেম্বর ২৫ দগী ৩০ ফাওবা লৈগদবা টাস্ক ফোর্স অমা শেম্নবসু লেপ্লখ্রে হায়রি। মীফম অদুদা মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসী ২০২০গী মতাংদা সেমিনার, ৱেবিনার অমদি দিস্কসনশিংসু পাঙথোক্লনবা ওফিসলশিংদা খঙহনখি।

মীওই ২৫১ দিটেন তৌদুনা ফাইন থিহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ : ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দারকপদগী মণিপুর লৈঙাক্লা থিংনবা লোকদাউন অমদি কার্ফিয়ুনচিংবা থমদুনা মীয়াম ময়ুমদগী মপান থোক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিঙৈ মনুংদা লম্বীদা থোরকপা ফেস্ক মাস্ক উপ্তুবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং পুলিসনা ফাগৎলগা দিটেন তৌবগা লোয়ননা ফাইন থীহনবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মণিপুর পুলিস আই জি পি (ওপস) ঈ প্রিয়োকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা পুলিস দিপার্টমেন্টনা ঙসিসু লোকদাউন থুগাইবা মীওই ২৫১ রোম ফাগৎতুনা ফাইন ওইনা লুপা ৬১,০০০ রোম থীহনখি। মণিপুর পুলিসনা চথরিবা দ্রাইভ অসি মখা তানা চথখিগনি। কা হেন্না মীয়ামদা অকায়বা থোকহনবা য়াবা থবকশিং তৌরক্লবদি নেসনল দিজাষ্টর মেনেজ মেন্ট এক্ট ২০০৫গী মখাদা লোগী ওইবা চৈরাক ফংহনবসু য়াই হায়রি।

ঈ পি এফ ওনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিগী মতমদা উমঙ্গদগী অথিংবা লৈতনা ফ্রী সর্ভিস ফংহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস) : ইমপ্লোয়ীজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসন (ঈ পি এফ ও)না কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মরকসিদা সবস্ক্রাইবরশিংদা য়ুনিফাইদ মোবাইল এপ্লিকেসন ফোর ন্যু এজ গভর্ণান্স (উমঙ্গ)গী অথিংবা লৈতনা ফ্রী সর্ভিস ফংহনখ্রে। সবস্ক্রাইবরশিংনা য়ুমদগী নুংঙাইনা সর্ভিসশিং অসি অথিংবা অমত্তা য়াওদনা শীজিন্নবা য়াহন্দুনা চাউনা কান্নবা ফংহনখ্রে।

হৌজিক-হৌজিক পি এফকী মেম্বর অমনা মখোয়গী মোবাইলদা উমঙ্গ এপ অসি শীজিন্নদুনা তোঙান-তোঙানবা সর্ভিস ১৬ শীজিন্নবা য়াই। সর্ভিসশিং অসি শীজিন্ননবগীদমক নীংথিনা মথৌ পাংলিবা য়ু এ এন (য়ুনিভর্সেল একাউন্ট নম্বর) অমসুং ঈ পি এফ ওদা রেজিষ্টর তৌরবা মোবাইল নম্বর অমা চঙই। ঈ পি এফ ওগী মেম্বর সেন্ট্রিক ওইবা সর্ভিসশিং অসি উমঙ্গ এপকী খুথাংদা ফংহন্দুনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎকী মতমসিদা সবস্ক্রাইবরশিংদা নুংঙাইবা ফংজখ্রে। উমঙ্গগী এপ অসিদা মেম্বর অমনা ক্লেমশিং থাগৎপা অমদি ক্লেমশিং অদু খঙবা য়াই। কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিগী মতমদা এপ্রিল ২০২০ দগী জুলাই ২০২০ ফাওবা উমঙ্গ এপতগী পুন্না ক্লেম লাখ ১১.২৭ ওনলাইনদা ফাইল তৌরকখি। মসি দিসেম্বর ২০১৯দগী মার্চ ২০২০ ফাওবদা কোভিদ-১৯গী মমাঙদা তৌরকখিবগা চাংদম্নবদা চাদা ১৮০ হেন্না তৌনরকখি। মরমদি মতমসিদা এপ অসিদা সুপ্নতগী ক্লেম লাখ ৩.৯৭ তৌরকখি। উমঙ্গনা মেম্বরশিংদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা চৎথোক-চৎশিন য়াদবগী অথিংবনা ঈ পি এফ ওগী সর্ভিস ফংবা ঙমখিদবা অদু কোকহন্দুনা মশানা ঈ পি এফ ওগী ওফিসতা চৎপগী মথৌ তাবশিংবু হন্থহনখ্রে।

উমঙ্গগী এপ অসিদগী মেম্বরশিংনা খ্বাইদগী য়াম্না পামজনা তৌবা সর্ভিসসি মেম্বরগী পাস বুক য়েংবনি। ওগষ্ট ২০১৯ দগী জুলাই ২০২০ ফাওবগী মতম অসিদা ঈ পি এফ ওগী মেম্ব্র পোর্টেলদগী ঈ পি এফ মেম্বরশিংনা ভ্যুয়রশিপ ক্রোর ২৭.৫৫ চিংশিনবা ঙমখি। অদুগা উমঙ্গ এপতগী ভ্যু মেম্বর পাস বুক্কী খুদোংচাবা অসি ঈ পি এফ ক্রোর ২৪৪.৭৭ হেন্না ফংখি। মসিগী মোবাইল এপ অসিদা বটুন অমখক ক্লিক তৌবগা মরী লৈনবা সর্ভিসশিং অদু ফংবগা চাংদম্নরুবদা হেন্না লাইবা মরম্না মেম্বর পোর্টেল অসিগী মহুৎতা উমঙ্গ এপ অসিনা মরুওইনা লৌই।

পেন্সন লৌরিবা মীওই লাখ ৬৬ তা ময়ুমদা ফম্না ফম্না শোয়নিংঙাই ওইহন্দনা মাগী সর্ভিসশিং অদু ফংহনবগীদমক্তা ঈ পি এফনা ন্যু পেন্সনর পাস বুক্কী খুদোংচাবা অসিগা লোয়ননা উমঙ্গ এপতা জিবন প্রমান পত্র অসি অপদেট তৌহনবগীসু খুদোংচাবা পীরি। সর্ভিস অনীমকসি পাক শন্না শীজিন্নদুনা লৈরিবা পেন্সন লৌরিবা মীওইশিংনা য়াম্না খোয়দানা শীজিন্নখ্রে। কোভিদ-১৯গী মতমসিদা এপ্রিলদগী জুলাই ২০২০ ফাওবদা ভ্যু পেন্সনর পাসবুক সর্ভিসকী এ পি আই লাখ ১৮.৫২ ফংখিবদা জীবন প্রমান পত্র সর্ভিস অপদেট তৌবগী এ পি আই ২৯,৭৭৩ ফংখি।

অতোপ্পা মরুওইবা সর্ভিসশিংগী মরক্তা এপ্রিলদগী জুলাই ২০২০ ফাওবদা উমঙ্গ এপ অসিদগী য়ু এন এ এক্টিভেসনগী এ পি আই ২১,২৭,৯৪২ রেজিষ্টর তৌরকখি অদুগা ঈ কে ৱাই সীগী সর্ভিসকী এ পি আই ১৩,২১,০৭,৯১০ রেকোর্দ তৌরকখি।

ইন্দিয়াদা স্মার্ট ফোন লৈনবগী মশিং অসি অসুম হেনগৎনরকপনা ঈ পি এফশিংনা মখোয়গী মেম্বরশিংবু মোবাইল গভর্ণান্স তৌদুনা সর্ভিসশিং অসি ফংহনবদা মায় পাক্লদুনা দিজিটেলনা খাইদোক্লবা অসি শমজিন্নহনবদা মতেং ওইরি। মসিদগী ঈ পি এফশিংদা মরুওইনা মথৌ তারকপদা ষ্টেকহোল্ডরশিং অদুদা সোসল সিক্যুরিটি সর্ভিসশিং ফংহনবদা কোভিদ-১৯গী অথিংবশিংদগী লৈহল্লকপা শীংনবশিং অদু লান্থোকপদা মতেং ওই। মসিগা লোয়ননা উমঙ্গদা ঈ পি এফশিংগী খ্বাইদগী অচৌবা ওর্গনাইজেসন অমা ওইখ্রে। মসিনা এপ অসিদা চাদা ৯০ দগী হেনবগী মশিং ওইখ্রে হায়রি।

মতমবু ইকায়খুম্নরবদি মতমনসু ইকায়খুম্নবিরক্কনি...

লামায় ১গী মখা... ফংলক্তুনা ঈমা লৈবাক মণিপুরগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখ্রবা য়াম্না নহা ওইরিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা খাঙবোক এ সীগী সাপম ময়াই লৈকায়দা লৈবা সাইক্লিষ্ট জি ইঙোবি চোংথামনা হায়, হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা অমুক্তং পোকপা মপোক অসিদা নহা ওইরিঙৈ মতমদা মালেম অসিদা হীংলম্মী হায়বা তাকপা য়াবা অফবা থবক অমদি তৌহন্নিংই। ইশানা ইশা ৱারকচবা, কন্ট্রোল তৌবা অমদি মতমগী ভেল্যু খঙনা চৎলবদি মতমনা অদোমগী পুন্সিবু ইকায়খুম্নবিরক্কনি। ৱাখল চাওথোকপগা লোয়ননা মালেমদা চৎনরিবা ট্রেনশিং খঙনা হোৎনরবদি গভর্ণমেন্ট জোব খক নত্তনা অতোপ্পা তৌবা য়াবা থবক ময়াম অমা লৈরি। মরম অদুনা নহা ওইরিঙৈ মতমদা তমহৌবা য়াবা অমদি তৌহৌবা য়াবা থবকশিং লমদম অসিগী নহারোলশিংনসু তৌহন্নিংই হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি নুমীৎ ২২০ চঙনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা নাৎকী ওইবা ফিজোলশিং শেৎলগা চৎখিবা মরমনা খুদোংথিবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমখিবতা নত্তনা হেন্না থোইনা লৈবাক কয়াগী মীওইশিংনা ইকায়খুম্নবা পীবিরকখি। হৌরক্লিবা লমদম অসিগী মীরোলশিংনসু ইপা-ইপুশিংনা শেৎলম-চারম্বা নাৎকী ওইবা ফিজোলশিং শেৎপা-চাবা খক নত্তনা নাৎকী ফজরবা ফিজোলশিংবু য়োকখৎহন্নিংই। মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা থোক্লিবা চরাংনবা য়েংথিনবা অমদি তোঙান-তোঙানবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসিগী মরুওইবা মরমদি নুংশিনবা ৱাৎপা অমদি মতেং পাংনবা ৱাৎপগীনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা নুংশিবগী পাউজেল শন্দোকপগী থবক অমদি অমনা অমবু মতেং পাংনবগী থবক তঙাইফদনা তৌবা মথৌ তাই। করিগুম্বা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী মীওইশিংগী মরক্তা নুংশিনরবদি মালেমদা থোক্লিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অয়াম্বা কোকপা ঙমগনি।

মালেমদা লৈরিবা মীপুম খুদিংনা হৌজিক্কী ওইনা তঙাইফদনা মথৌ তারিবা য়াম্না মরুওইবা পোৎশক হায়রগদি নুংশিবা হায়রিবা পোৎশক অসিনি। সাউথ এসিয়াগী লৈবাক ৭কী মীওইশিংনা নুংশিবগী পাউজেল পুরগা লাক্লিবনি খঙবিবা মরমনা নুমীৎ ২২০নি চঙনা চৎখিবা লম্বী অদুদা অৱাবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিবা লৈতে। মরম অদুনা নুংশিবা পীসি অমনা-অমবু মতেং পাংমিন্নদুনা ইং-তপ্পা মালেম ওইবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা নৌনা লমদম অসিগী ওইনা ওন্ট্রপ্রিনর অমা ওইনা মশামক্লা দিজাইন তৌজদুনা পুথোকপা নহা ওইরিবা নুপা-নুপী কয়ানা য়াম্না পাম্না শেৎনরিবা দেনিম জিন্স পুথোক্লিবা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচন্না লৈবা খুরাই লাইরিকয়েংবম লৈকায়দা লৈবা ট্রু নেটিব দেনিমগী প্রোপাইটর রোমেরো যূমখামনা হায়খি, অয়াম্বা হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা য়াম্না অতেনবা মতমদা শেল পায়বা অমদি অফাওবা ওইবা পাম্মী। নহারোলশিংনা অতেনবা মতমদা শেল পায়বা অমদি অফাওবা অমা ওইগে খনখিবা ৱাখল অদু নিংবা থুংবা ঙম্লক্তবদগী দিপ্রেসন চৎখিবা অমদি অরানবা লম্বীদা চৎখিবা নহা কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। মরম অদুনা ইন্টরনেসনল যূথ দেনা লাকপসিদা হায়জনিংবদি অফবা পোৎশক অমা শেমগৎপা হায়বসি অদুমক মতম চঙগনি। মরম অদুনা খনখ্রিবা ৱাখল হোংবা লৈতনা, অরেপ্পা লৈতনা হোৎনবা অমা চঙই। মতমগী মতুংইন্না মশানা অদুমক তপ্না-তপ্না মায়পাকপা হায়বদু ওইরক্কনি। ইশামক চহী কয়া কোলকাটাদা লৈদুনা ফিরোল তুবগী থবক কম্পনি কয়াদা থবক তৌরকখি। তপ্না-তপ্না ফিরোল তুবগী দিজাইন তমদুনা লাকখি।

কোলকাটাদা অদুমক কম্পনিগী থবক তৌদুনা লৈরম্বা য়াই। অদুবু ইরমদমগী ওইবা তোঙানবা তোপ-তোপ্পা থবক অমা তৌনিংবগী ৱাখল্লোল লাকখিবদগী মণিপুরদা থোক্লক্তুনা তপ্না-তপ্না ইশানা ইথন্তা জিন্সকী দিজাইন তৌজদুনা ট্রু নেটিব দেনিম হায়বা কম্পনি মচা অমা লিংখৎচদুনা থবক তৌবা হৌরকখিবনি। ষ্টেট অসিগী মার্কেট পীকপা মরমনা হৌজিক তুজরিবা দেনিম জিন্স অসি মার্কেট খুদিংমক্তা পাকশন্না য়ৌহনবা ঙম্বা হায়বদুসু ওইদ্রি। অদুবু ঙসিদি য়াম্না চাওনা দিমান্দ লাকপা ওইদ্রবসু মীওই খরা থমদুনা শেৎনবা জিন্স খক নত্তনা তোঙান-তোঙানবা আইটম কয়াসু পুথোকপা ঙম্লে। ইশাগী ওইনদি হৌজিক মকসু থোইনা কা হেন্না মায়পাকপা ওইদ্রি হায়জ নিংই। অদুমকপু ইশামক্লা দিজাইন তৌজবা জিন্স পুথোকচরিবা অসিদা মীয়াম্না পাম্নরক্লিবা অসি উবদা য়াম্ন মক নুংঙাইজবা অমদি অপেনবা ফাওই। থবক খুদিংমক অচৌ-মচা হায়বা লৈতে, হীরম অদুদা মায়পাক্লবগীদমক কৎথোকপা অমগা লোয়ননা হোৎনবদি মথৌ তাই। মায়পাক্লবা হোৎনবদা কৎথোকপা চঙই হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। মথৌ তারিবদি কৎথোকপা ঙম্বগী থৌনা অদুনি। মরম অদুনা কৎথোকপা খক নত্তনা অশানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরবদি শোয়দনা মায়পাকপা ঙমগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা লমদম অসিগী শক্লাইরবা আর্টিষ্ট কয়াগী খোঞ্জেলগী মতৌ তমদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরিবা নহা ওইরিবা খাঙবোক এ সীগী মনুংচন্না লৈবা উয়ালদা লৈবা কোমেদিয়ন গোবিন্দাস উয়ালনা ফোঙদোকখিবদা লৈত-লায়রবা হায়বসিদি মমিংতগী ৱানি। থম্মোয় শেংনা অরেপ্পা অমগা লোয়ননা তৌগে খনখ্রিবা থবকশিং চপচানা থবক তৌনবা লেপ্লবদি ঙম্লোইদবা থবক লৈতে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। চহী কয়া চঙনা কনা অমত্তনা খঙবিরমদনা লৈরম্বদগী লৈবাক মীয়াম্না হৌজিক শক খরা খঙবা হৌবিরক্লিবা অসি খরা খজিক হোৎনজরুবগী মহয় অদুননি। মরম অদুনা ইন্টরনেসনল যূথ দেনা লাকপদা লমদম অসিগী নহারোলশিংদা হায়জনিংবদি পুন্সিদা তৌগে খল্লিবা থবক অদু অরেপ্পা অমগা লোয়ননা হোৎনবিরবদি তাইবঙমপুনা মতেং পাংবা খক নত্তনা মীপুম খুদিংনা মতেং পাংলক্কনি। মরম অদুনা নীংহন্নবা লৈতনা লেপ্পা লৈতনা হোৎহন্নিংই হায়খি।

কোমেদিয়ান অমা ওইনবা অহানবা হোৎনরকপগী মতমদা বস অতোংমল ফাওবা পীনিংঙাই লৈখিদে। বসকী অতোমল পীনিংঙাই লৈতবনা বস মমাংদা তোংলম্বা অদু কন্টেক্টর অদুনা বস অতোংমল লৌবা লাকপা উবদা অতোপ্পা মীওইনা কুম্নখিবা মতমদা কুমথরগা অমুক বস মনিংদা তোংবা য়াওরকখি। মরম অদুনা লায়রবা শেল পায়জদবা মচানি হায়না তোঙান্না তাইবঙমপুনা অদোমগীদমক মতেং পাংলকলোই। অদুবু ওইরিবা ফীভম অসিদগী য়াইফ-নুংঙাইবা চাওখৎপা অমা ওইগে অমদি লৈবাক্কী মিংচৎ পুরক্কে খন্না হোৎনরবদি তাইবঙমপুনসু শোয়দনা মতেং পাংলক্কনি। মায়পাকপা হায়বা অসিদা মতম খরদি অদুমক চঙগনি। মতম চঙই হায়দুনা মরক্তা লেপথোকখ্রবদি হোৎনরকপা অদুগী করিমত্তা কান্নবা ফংবা ঙম্লোই। মরম অদুনা হীরম অমদা হেক্তা ওইবা য়াই মদুদি ফংগে খন্না তানখিবা লম্বী অদু ফংদ্রিবা ফাওবদি লমদম অসিগী নহারোলশিংনসু লেপ্পা লৈতনা হোৎনহন্নিংই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোরকখি।

পাউজেল পীরক্লি...

লামায় ১গী মখা... য়াইফ পাউজেল পীজরি। ফৎতবা তৌবশিংদগী মীয়াম্বু ঙাকথোকপদা মতেং পাংননবা মহাক পোক্লকখিবনি হায়না হিন্দু লাইনিং চৎলিবশিংনা থাজনরি। নুমীৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় খূদিংমক্তা নুংশি-চান্নবা অমদি নুংঙাই য়াইফবা পীনবীবা ওইরসনু হায়নসু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

চীং নীংখায়রকপদা অমাঙ-অতা থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা কৈরাও খুনৌগী অৱাচীংদা লৈবা খেঞ্জোংলাং ঠিএটর কমপ্লেক্স চীং নীংখায়রকপদগী অমাঙ-অতা থোকখ্রে।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা খেঞ্জোংলাংগী দিরেক্টর ডা. এস থানিল লৈমনা হায়খি, ঙসি অয়ুক অঙনবদা খঙহৌদনা চীং নীংখায়রকপদগী খেঞ্জোংলাং ঠিএটরগী হোল য়াওনা কমপ্লেক্স অসিগী শরুক কয়া অমাঙ-অতা থোকখ্রে। ঠিএটর অসিগী হোল অসিসু নৌনা শাখিবদা ঙাইরিবনি। ঠিএটর অসিগী ষ্টেজগী শরুক অয়াম্বা নুঙশিংনা ননশিনখিবদগী অমাঙ-অতা থোক্তুনা শীজিন্নবা য়াদবগী ফীভমদা লৈরে। ঠিএটর অসিগী দাইনিং হোল, দ্রেসিং হোল, ম্যুজিক ইন্সত্রুমেন্টশিং, লাইটিং, চৌক্রি, টেবলনচিংবা য়াওনা চাউরাক্লা লুপা লাখ ১২/১৩ রোমগী পোৎচৈ অমাঙ-অতা থোকখ্রে। লাইবক থীবা থৌদোক অসিগীদমক মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীনবা আপিল তৌজরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯না...

লামায় ১গী মখা... তৌদুনা লায়েংবগী থবক চথুবা হৌখ্রে। নাকল অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অৱাং খুনৌ মনিং লৈকায়দগী আই আর বিগী পর্সনেল অমসু ঙরাং পোজিটিভ ওইবা থেংনবদগী ঙসি মরী লৈনবশিংনা লৌখৎতুনা কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা থমখ্রে হায়রি। মহাক নুমীৎ খূদিংগী য়ুমদগী দ্যুটি চৎপনা মরম ওইরগা লৈকায় অদুগী মহাক্লা নক্লরম্বা মীওই কয়া টেষ্ট তৌবা মথৌ তারি হায়রি।

এন আর এফ এমনা ওগষ্ট ১৫ মণিপুর বন্দ লাউথোকখ্রে...

লামায় ১গী মখা... মচি-মচিদা লালহৌগী ঈরাং লাকখি। সুভাসচন্দ্র, গান্ধীনচিংবা মশক নাইবা ইন্দিয়া মচা কয়া থোক্লক্তুনা অপূনবা পাঙ্গল শাগৎতুনা বৃটিশ লৈঙাক্কী মথক্তা নীংতম লান হৌদুনা কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৫দা ইন্দিয়া কৌবা লৈবাক অসিবু বৃটিশনা মনীং তম্বা ওইহনবীরম্মী। মতম অদুদা ইন্দিয়াদা মণিপুরদি য়াওদে। থংনবা য়ূমলোন্নবা লৈবাক অমমম্ ওইনা লৈনবনি। ঐখোয়গী অশোনবা খরদা তুহৎপীদুনা ইন্দিয়ানা মনীং তন্নবা মতুং চহী ২ লৈরগা নমদুনা মণিপুরবু ইন্দিয়ানা লৌশিনবীদুনা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা লৌশিনবীখিবনি। ঙসিদি ইন্দিয়ানা পীক্লবা ইরমদা পীকখ্রবা ফুরুপ মচাসিবু ঙকথী চপ্পগা চপ মান্ননা চপখায়দুনা মশাগী শক্তম অশেংবা ফাওবা হায়জবা কিবা মীরোল কয়া দিল্লিনা শেমদুনা মপূং ফানা পুথোরক্লি। য়ানশিন্নবা মী কাঙলূপ ওন্নবা থিংবা ৱাগদবা লাল্লোং কয়াসু চথরক্লি। ঐখোয় নীংতমজরম্বা লৈবাক অমগী মীওইনি হায়বশিং মণিপুর লৈঙাক হায়বদি ইন্দিয়াগী শেন্থং য়েন্নবশিংনা মপূগী য়াকা য়েংদুনা নীংতম য়াওল্লোয়শিংবু য়েক্লবনি হায়না লাউথোক্লি। টেররিষ্টকী মিংথোল ফাও শীজিন্নরি। মসি টেররিষ্টকী ৱাহনসু খঙদবা মাল্লি। মুন্না খল্লুরবদি ইন্দিয়াগীদমক ঙাংলিবা মখোয়গীদমক ইকায়জবা পোক্লিংঙাইনি। পূম্নমক শুপচিঞ্জরগা ঐখোয় মণিপুর মীয়াম হুপ্না য়াদুনা ইন্দিয়াদা তিনখিবা নত্তে। ঐখোয়না ঐখোয়গী নীংতম্বা অদুগা লোয়ননা হিংগদবনি, হিংলি হায়নসু লেপ্লি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ওগষ্ট ১৫গী অথিংবা থমখিবা অসিদা মৈ, ঈশিং, অনা-লায়েংগা মরী লৈনবশিং অমসুং মীদিয়া নৎতনা চৎথোক-চৎশিন তৌবীদনবা খঙহঞ্জরি। লোয়ননা মণিপুরগী মীয়াম্না ইথৌ নৎতনা ইথৌ শাবীদুনা মচু অহুমগী ফিৱাল চিংখৎপা য়াওবীদনবা এন আর এফ এমনা মণিপুর মীয়ামদা নীংশিংজরি। য়েক্লবনা ফোংনা ইমাংদা লেপ্লরবসু খঙশিন উশিন্নদনা লৈথোক্লরোইসি। ঐখোয়না হিংলিবা তাঙ্কক অসি য়াম্না লুশিনখ্রবনি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্লি। লাউ-লাউদুনা ঐখোয়গী মীয়াম্বু অতোপ্পা হীরম অমা নৎত্রগা অমদা লেপ্পা লৈতে। অৱাফমদা চিংথরি। অমুক হন্না ঐখোয় ইশাবু ইশানা খঙজবা ঙমদবা থাক অদু য়ৌনবা শেমগৎপীরি। ইনাক খুনবগী পন্দাম লোমদবা মী কাঙলুপ অমা লায়রবগী খম থেংলবা মী কাঙলূপ অমা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খূৎশেম্না পুথোরকপা খূদোল অদুনি ঐখোয়না ঙসি থেংনরিবা। উরিবা মপান্থোংগী ইন্দিয়াগী নৎতবা চরাম চদৎনরবা ইন্দিয়নশিং ইন্দিয়াগী শেঞ্জাও পায়বা খূৎপু খরগী খূবামনুংদা তারবা ইন্দিয়াগী লায়রবা ক্রোর ১৩৫ মসিদা অপীকপা ফুরুপশিং মাঙখিবা হায়বসি ককপা ঙল্লরোইবা চৎনবী অমনি। কনাগীসু মীৎতগী পি তাহন্দনবা লাল্লোং দিল্লিনা য়াৎথোক্তুনা শেমজিল্লক্কনি। য়েংবীয়ু ইন্দিয়াগী মীয়াম্না পীবা পাঙ্গলনা শেল্লিবা লৈঙাকপশিং মীয়াম্না অসুক কিরিবা অসিগী ৱাহন মন্তিক্লদুনা মীয়াম্বু চহী ৫/৫গী অওক-অথোম ওইখিবগী খূদমনি। লাইনীং-লাইচৎনা কন্সটিট্যুসন খোঙ্গাওনরবা দেমোক্রেসি কৌবা য়ারিব্রা ঙসিগী ইন্দিয়া। নুংদা চেন্নরিবা লৈঙাক লুচিংবশিং অদুগী মনুং শেংদবা ৱাখল অদু লৈবননি ঙসিগী ইন্দিয়া। ইন্দিয়া মীয়াম্না নোক্তুনা লৈবা হিংবা ঙমদবা নীংতম্বা লৈবাক ওইদ্রিবা ঙসিগী ইন্দিয়া। ইন্দিয়াগী চৎন-লোনচৎ অসি তমদুনা ইরমদম মণিপুরগী লৈঙাকপশিং দিল্লিতবু ঈরাৎ থৌনীজরিবা অসিনা ফুরুপ কনবগী মুহৎ য়োন্থোক্লিবনি হায়বা মীয়াম কাউথোকপীনু। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লিচিং অসিনা মণিপুরদসু তৌশিন্নবা লৈঙাক্লোন খূৎপু-খূৎপু শেমগৎনদুনা দিল্লিগা খ্বাইদগী মরী ফবা অদুনা খ্বাইদগী অশিংবা লৈঙাক শাদুনা ঐখোয়গী মীয়ামদা ফোংনা টেররিজম চথুরি। হায়বদি মীয়াম্না পামদবা থবকশিং নমদুনা তৌরি। অমা-অনীদং পল্লবদা মীতোপ চঙশিল্লকপগী ৱাথোক, কাঙলূপকী ঈরাং অমদি চহী ৭১ চঙনা শেল্লিবা জিরিবাম তাবা লম্বী মণিপুর মীয়াম্না খ্বাইদগী তানিংদবা খোইদৌ থীৎপা থৌওং ওইরি। মসিনা অদুম্মক তাক্লে। মচু অহুমগী ফিৱাল চিংখৎলুবা হায়বসি অদোমগী খূৎ অদুসু নৰৈপাক য়োন্থোকপা য়াওরে। মরৈচা হাৎপা অদোমগী খূৎতুসু য়াওরবনি কাউবীগনু হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নাগা পিছ টৌক্কী মতাংদা মণিপুর মীয়ামগী মীহুৎশিংনা সেপ্টেম্বর থা য়ৌদ্রিঙৈদা ইশা ইশাগী ফিরেপ...

লামায় ১গী মখা... থেংখাং কয়া থোক্লা অচৌ-অচৌবা অমদি অকনবা ঈরাং, মীশি-মীনা য়াওবা ঈহৌ কয়া লৈখ্রে। ৱাথোক কয়া থোকখ্রে। পুম্নমক অসিগী মনুংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা তাঙ্কক কয়াদা মীয়ামগী ইহুল খঙদোক্লবা হোৎনবদা অমদি ৱারেপ চাংয়েং তৌবা মানবা মওংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা তৌনিংলিবা থৌরাংশিংগী মনুংদা মরুওইবা থৌরাং কয়া পাউচে খরদা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিং লৈ। অদুতা নত্তনা ওফিসল ওইনা ফোঙবা দোক্যুমেন্ট, পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি (পি এস সী)গী ২০১৮ দা ফোঙখিবা আর এন রবিনা শেম-শাবা রিপোর্ট ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা লানখৎখিবা অদুদা য়াওখিবা মরুওইবা ৱাফমশিং অমদি মদুদা থোকখিবা ৱাথোকশিংবু মীয়াম্না নীংশিংমিন্নদুনা খঙমিন্নবা চঙই। মণিপুর (কংলৈপাক)গী লমখৈগী শরুক মনুংদগী এন এস সী এন-আই এমনা তাল্লিবা তোখায়বা লৈবাক অমা লমদমসিদগী ফক্তোক্তুনা নাগালেন্দদা পুনশিন্ননবগী দিমান্দ অমদি সাউদর্ন নাগালেন্দ, সুপ্রা ষ্টেট, পান নাগা কলচরেল বোদি, আর্টিকল ৩৭১ এ মণিপুরগী নাগা তাবা মফমশিংদা শন্দোক্তুনা চৎনহনবা অমদি নাগা ওটোনোমস টেরিটোরিএল কাউন্সীল ইন মণিপুর হায়বা ৱাফমশিং অসিগা মান্নবা অমদি য়াম্না নক্লবা ৱাফমশিংনা মরুওইনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনসু মীৎয়েং চঙদুনা হায়রিবা এন এস সী এন-আই এমগী চৎনবা য়ারোইদবা দিমান্দশিং অসিগী মনুংদা করিগুম্বা খরদি পীরগে হায়বগী ইঙ্গিৎ অমদি চাংয়েং মানবা থৌদোক কয়া লৈখি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা খ্বাইদগী অচৌবা দিমান্দ অমা ওইরিবা নাগাগী তোখায়বা ফ্লেগ অমদি তোখায়বা লৈঙাক্লোন (কনষ্টিট্যুসন) হায়বা অসিসু য়াওখিবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হায়রিবা ৱাফমশিং অসি চহী ২৩ মণিপুর মীয়াম্না য়ারোইদবা ৱাফম ঙাক্তনি হায়না মায়োক্লদুনা লাক্লবা মতুং ইকোন কোনবদা কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর ২৫দা ন্যু দিল্লিদা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম এফেয়র্স জি কিষন রেদ্দিগা উনদুনা হায়নখিবা ৱাফম অসিনি। ৱাফমশিং অদুগী মনুংদা ঐখোয়গী লেংদ্রবা ৱাফমশিং মণিপুর মীয়ামগী অমদি লৈঙাক অসিগী ওইনা য়ানদুনা লেপমিন্নদুনা লৈখ্রবা ৱাফমশিংদি, কুমজা ২০১৯গী সেপ্টেম্বর ১৯দা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম্না লৌখিবা ৱারেপশিং অদুদি, নাগা পিছ একোর্দনা মখল অমত্তগী মওংদা মণিপুরগী য়ুনিটি অমদি টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিদা ফীভম অমত্তদা অয়েৎপা অপনবা পীবা য়ারোই। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ষ্টেট বাউন্দরিশিংদা অকায়বা অমত্তা পীরোই হায়জবা তারবসু মণিপুরগী ষ্টেট বাউন্দরি শোকহল্লোই হায়বা ওইরবসু ষ্টেট অসিগী মনুংদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী থৌরাং তৌরক্কদবা ওইরবদি মদু মাঙজৌননা পাল্লিবা মণিপুর লৈঙাক অমদি মণিপুর মীয়ামদগী হান্না অয়াবা লৌদনা তৌবা য়ারোই। এন এস সী এন-আই এমনা মতম শাংনদগী দিমান্দ তৌদুনা লাক্লে হায়দুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পূক্লিং থৌগৎপা মানবা মওংদা নাগা তাবা মফমশিং পুনশিনবা, পান নাগা কলচরেল প্রোভিন্স/টেরিটোরিএল কাউন্সীল নৎত্রগা মখল অমত্তগী ফাইনান্সিএল ওটোনোমি অমদি কাঙলুপ ফুরুপ নাইবা লৈঙাক পথাপ (এদমিনিষ্ট্রেটিভ এরেঞ্জমেন্ট) নৎত্রগা মসিগা মান্নবা থৌশিল অমদি থৌরাং মণিপুর মীয়াম্না য়ারোই। অরোইবা পিছ টৌক্কী য়ান্নচেদা মথক্তা পল্লিবা ৱাফমশিং অসিগী মনুংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী মায়োক্তা ৱারেপ লৌদুনা য়াথোকখিবা য়াওরক্লবদি মণিপুর মীয়াম্না মশাগী য়াইফনবগীদমক্তা তুংগী লাইবক লেপচনবা ৱারেপ ফিরেপ লৌগনি। হায়রিবা ৱাফমশিং অসিমক ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা থাদুনা খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি।

পুম্নমক অসিগী মথক্তা কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর ২৫ দা ন্যু দিল্লিদা মণিপুর মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা মণিপুর চীফ মিনিষ্টর, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি কোকোমিগী দেলিগেসন টিমদা হায়নরিবা ৱাফমশিং অসিগী মনুংদা করিগুম্বা থবক তৌগদবা ওইরবদি মাঙজৌননা মীয়াম্বু অমুক বার্তন থারক্তুনা তান্নরক্কনি হায়বা ৱাফম হায়রকখিবা ঐখোয়গী চীফ মিনিষ্টর, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম এফেয়র্স জি কিষন রেদ্দিসু তাহৌরিবনি।

পুম্নমক অসি য়েংবা মতমদা হৌজিক থারক্লিবা মতম সেপ্টেম্বর ফাওবা হায়রিবা পি এম ওগী ৱাফম অসি য়েংলুরবদি ঐখোয়সু ঐখোয়গী ওইবা ৱাফমশিং অসি ময়েক লানা অমুক নৌহৌননা থমহৌবগী তঙাইফদবা অমা লৈ হায়না খনবগা লোয়ননা ৱাফম খূদিংমক্তগী ইন্দিয়াগী পি এম ও খক্তা নত্তনা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টর মশামক্তদা মাঙজৌননা ৱামাং য়াৎতুনা থমহৌবনা খুদোংচাগনি হায়বা ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম অমদি মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট ওইনা লৈরিবা এম পি খূদিংমক্লা ৱাফমশিং অসি খঙজিনবীহৌনবা ইশা-ইশাগী ৱারেপ ফিরেপ লৌবীদুনা মীয়ামগী থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না আপিল তৌজরি। য়ু সী এমনসু হায়রিবা চেরোল অসিমক মরী লৈনবা লুচিংবশিং অসিদা থাদুনা খঙহল্লগনি। লৈবাক কায়বা অমদি কায়দবগী অরোইবা তাঙ্কক অমা লাক্লিবা তাঞ্জা অসিদা ঐখোয় য়ুমদা লোৎতুনা লৈবা য়াররোই। কোভিদ-১৯দি লায়না-লাইচৎ অমখক্তনি। মসিদি লাক্কনি, চৎখিনি অদুবু লৈবাক কায়খিবা থোক্লবদি অমুক হঞ্জিনবা ওইথোক্তে হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্লা পুৱারীদগী খঙলবা ঙাক্তনি। ঙসি ঐখোয়গী কবো ভেলি মীরমগী ওইখ্রে। ঐখোয়গী বোর্দরদা য়ুমথংনবদা শম্বল খাজি ল্লম্বদগী হন্দোকপা ঙমখিদ্রে। মতৌ অসিগুম্না লাক্কদৌরিবা নাগা পিছ টৌক অসিগী মতমদসু ঐখোয়না মতম চানা অথিংবা পীদুনা থৈদোকহৌনবা হোৎনহৌবা অসিনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ হায়বসি য়ু সী এমনা থমজরি। মীশি-মীনা, অকায়-অতোয় থোক্লগা ৱায়েনববুদি মতম চানা থৈদোক্লবা হোৎনহৌসি হায়না আপিল তৌজবগা লোয়ননা নাগা পিছ টৌক্কী মতাংদা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা লৌফম থোকপা ইশাগী ফিরেপ অমদি থৌদাং লৌবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অশুকনা ওগষ্ট ১৫দা টোটেল শটদাউন...

লামায় ১গী মখা... হৌরে হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোক্লি। ৱেসিয়াগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, ৱেসিয়া লমদমগা ইন্দিয়াগী ময়োল লমদমগা য়াম্না চাউনা খেন্নবা লৈ। ৱেসিয়াগী মীয়াম্না ইন্দিয়াগী লৈঙাক পায়রিবা পোলিটিকেল পার্টি য়ানবা চৎলিবসি ইমোসনেল ইন্টিগ্রেসন্না ওইহল্লকপা নত্তে। শেল-থুমগী লম্দা ৱেসিয়ানা ইন্দিয়াগী ময়োল লমদমগী মপাল তাংলুবগী মহয়নি।

ৱেসিয়া লমদমবু মপূং ফানা নীংতমহন্নবগী পান্দমদা খূৎলায় পায়বগী ঈহৌ হৌরকখিবনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, খূৎলায় পায়বগী ঈহৌ হৌবগী মথক্তা ঈং-তপ্পা মওংদা নন কোওপরেসনগী খোঙথাংসু লৌখৎলি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী নীংতম নুমিৎ থৌরম অথিংবা পীনবা ফিরেপ লৌরকপনি। থৌরম অসিবু মপূং ফানা অথিংবা পীনবগীদমক ওগষ্ট ১৫গী অয়ুক পুং ৬তগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা ৱেসিয়া লমদমগী মফম পূম্নমক্তা টোটেল শটদাউন লাউথোক্লে। লমদম অসিগী মীয়াম্না হীরম অসিদা মতেং পাংবীদুনা টোটেল শটদাউন মায় পাকহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নফসাগী মতাংদা লৌখৎপা থবক্কী...

লামায় ১গী মখা... জেনরল এস শুরেসতা পিটিসন অসিগী কোপি য়াওনা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্ট পূম্নমক পীননবা কোর্টকী রেজিষ্ট্রিদা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা কাউন্সেলশিংনা হায়জরকপগী মতুংইন্না কেস অসি মথং থাগী ৩দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি। পি আই এল অসিদা কোর্টনা এপোইন্ট তৌখিবা এমিকস ক্যুরিগী মথক্তা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল এন মহেন্দ্রনা লেপ্লিবনি।

রসিয়ানা মালেমদা অহানবা ওইনা...

*লামায় ১গী মখা...*অমসুং বাইনোফার্ম কম্পেনিদা ভেক্সিনগী দোজ কয়ামরুম পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। ৱর্ল্ডদো মিটরসকী রিপোর্ট মতুংইন্না রসিয়াদা কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস মশীং ৮,৯৭,৫৯৯ য়ৌরে। মালেমগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী অপূনবা কেস মশীং ২,০৩,২২,৯৮৯শুরে। লায়না অসিনা শিহনখিবা মশীং ৭,৪০,৫৭৩ য়ৌরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ১,৩২,৪৫,৬৩২ য়ৌরে।

ইন্দিয়াগী ওইনা অপূনবা কেস মশীং ২২,৯৪,৫৩৮ শুরে। শিখিবা মশীং ৪৫,৫৯৮ য়ৌরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মশীংনা ১৬,০৪,১২৯নি।